পোক্নফম

www.poknapham.in • THE LARGEST CIRCULATED MANIPURI DAILY • www.thepeopleschronicle.in

কোদোম্পোকপী লমখায়দা পাঙথোকপা অহল ওইরবশিংগী ফ্রী মেদিকেল কেম্পতা সি ঐচ সি নম্বোলগী মেদিকেল ওফিসার দাঃ কে ইরোরানা অহল অমা লায়েংবা

লৈমপোকপমদা পাঙথোকপা মহৈরোয়শিং ওকপগী থৌরমদা নম্বোল কেন্দ্রগী এম এল এ নামৈরাকপম লোকেনা মকোক থোংলবা মহৈরোয় অমদা মনা খূৎশিন্নবা

গ্যাসকী পাউ লাঃ ৯ দা

অঙৈং–অশা

ঈংবগী চাং	শাবগী চাং	নোংজুগী চাং	নুংশিৎ শীৎপগী চাং
20°C	27°C	7.2 mm	W to E (4 to 10 km/h)

GOLD RATE (24 Karat – Per 10 gm)

Chennai-29,470	Kolkata-29,500
Delhi-29,480	Mumbai-29,450

INR / USD
₹ 64.37/1$

Regd. 28436/75; MNP No. 66 Vol. 42, No. 132 | 16 Pages Imphal, Tuesday, June 20, 2017; ইঙাগী ২৬ নি পানবা, লৈবাকপোকপা e-mail: news@poknapham.in / poknaphamdaily@yahoo.co.in ₹ 4.50

রিমস অমসুং জেনিমসতা লেন্না দাইলাইসিস তৌবা য়ারে

হোস্পিতাল মনুংদা এজেন্ত থাজিল্লগা হীদাক য়োনবা খূদক্তা লেপকদ্দবনিঃ এন বীরেন

পোক্নফম নিউজ সার্বিস

ইম্ফাল, জুন ১৯ঃ অনা–লায়েংগী লমদা ইন্দিয়া গবর্নমেন্তনা মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক্তা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা **প্রধান মন্ত্রী নেসনেল দাইলাইসিস প্রোগ্রাম** ঙসি স্তেত অসিদসু চীফ মিনিস্তর এন বীরেননা হৌদোকখ্রে। অহানবগী ওইনা ঙসিদগী রিমস অমসুং জেনিমসতা অনাবশিংনা লেন্না দাইলাইসিস তৌবা য়ারগনি।

দিরেক্তোরেত ওব হেল্থ সার্বিস মণিপুর অমসুং স্তেত হেল্থ সোসাইতি, নেসনেল হেল্থ মিসন মণিপুর অনীনা শীন্দুনা জেনিমস (জে এন ইনস্তিত্যুত ওব মেদিকেল সাইন্সেস) কী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা প্রধান মন্ত্রী নেসনেল দাইলাইসিস প্রোগ্রাম হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেস্ত ওইখিবা চীফ মিনিস্তর এন বীরেননা হায়খি, হোস্পিতালশিংদা অনা–লায়েংনবগীদমক লাক্লিবা পেসেন্তশিংদা ফার্মাসিগী এজেন্তশিংনা হোস্পিতাল কেম্পসতা চঙদুনা মমল তাঙনা হীদাক য়োনশিনবগী থবক অসি খূদক্তা লেপকদ্দবনি।

বীরেননা হায়খি, মহাক্কী গবর্নমেন্ত অসিনা নুমিৎ ১০০ নিগী মনুংদা পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিংগীদমক মিসন অমা চঙশিল্লি। স্তেত অসিদা অনৌবা থবক কয়া পায়খৎনবগী খুদোংচাবা অমা ফংলিবসি মোদি গবর্নমেন্তকী মখাদা থবক তৌরুবদগীনি। অনা–লায়েংগী লমদা গবর্নমেন্ত অসিনা মীয়ামদা অহোঙবা মমলদা হীদাক ফংহনবা হৌখ্রে।

চীফ মিনিস্তরনা চীফ গেস্ত ওইদুনা পাঙথোকখিবা প্রধান মন্ত্রী নেসনেল দাইলাইসিস প্রোগ্রাম হৌদোকপগী থৌরমদা হেলথ মিনিস্তরনা ৱা ঙাঙলি

সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎলকপগী মতুংইন্না ঙরাং জেনিমসতা অনা–লায়েংবা লাকপা মী অমদগী ফার্মাসিগী এজেন্ত অমনা হীদাক্কী লিস্ত পুথ্রগা হীদাকশিং পীরল্লবা মতুং বিল পুরকপা মতমদা হীদাকশিং অদু কৈথেলদা য়োল্লিবা মমল অদুদগী শরুক অনী ওইরম্মী হায়রিবসি লাইবক থীবা অমনি। অনাবশিংদগী রেন্সম তানবগী মওংদা ফার্মাসিগী এজেন্তনা হোস্পিতাল কেম্পস চঙলগা হীদাক য়োনবগী থবক অসি ঙসিদগী তোকপীয়ু। অনাবশিংনা মথৌ তাবা হীদাকশিং অদুমক লৈজগনি। হোস্পিতাল অসি অথোরিতি লৈতবদৌনা পংতৌদা তৌবা অসি তোবীগনু হায়না চীফ মিনিস্তরনা হায়খি।

চীফ মিনিস্তরনা হায়খি, দোক্তর, নর্স অমসু মেদিকেল প্রোফেসন্দা লৈরিবশিং অসি 'লাল্লে' হায়বা য়াদবা শিনফমনি। ৱাফম অসি প্রোফেসন অসিদা লৈরিবশিংনসু মতম পূন্নমক্তা নীংশিংবীয়ু। অনাবা মীশিংদি হোস্পিতাল য়ৌরবা মতমদা অনাবা ফরগনি হায়না খঞ্জরিবনি। দোক্তর অমসু নর্সকী ৱাহে অমনা অনাবা ফহনবা ঙম্মী হায়বা অসি কাউবীগনু। প্রোফেসন অসিদা লৈগে হায়রবদি অনাবশিংবু মীনুংশিগা লোয়ননা লোয়নবা হৈবগী অহেনবা মগুণ লৈবা অমা চঙই। হ্যুমেন তচ লৈবা ঙল্লোইদবা ওইরবদি প্রোফেসন অসিদা থবক তৌবীগে খনবীগনু।

বীরেননা হায়, ঙসি লোঞ্চ তৌরিবা প্রধান মন্ত্রী নেসনেল দাইলাইসিস প্রোগ্রাম অসিনা দাইলাইসিস তৌবা ঙমদনা লৈরিবা অনাবশিংদা চাউনা কান্নবা পীরগনি। লেন্না দাইলাইসিস তৌবগী খুদোংচাবা অসি অহানবগী ওইনা জে নিমস অমসুং রিমসতা ঙসিদগী ফংলগনি। মখা তারকপদা খুঙ্গং অমসুং চীংগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদসু খুদোংচাবা অসি ফংহন্নবা হোৎনগনি। পি পি পি মোদেলদা মেছিনরিশিং লৈদুনা দিস্ত্রিক্ত হোস্পিতালশিংদা লেন্না দাইলাইসিস তৌবগী খুদোংচাবা অসি ফংহন্নবা হোৎনগনি।

মহাক্না হায়, গবর্নমেন্তকী হোস্পিতালশিংদা লেন্না দাইলাইসিস তৌরগনি হায়রসু অনাবা কয়াদি প্রাইবেত হোস্পিতালদা হেন্না ফজনা তৌবীগনি হায়না খনবা য়াওরি। মসিগুম্বা ৱাখল্লোন অসিবু হোংদোকহনবা হায়বসি হোস্পিতালগী এদমিনিস্ত্রেসন, দোক্তরশিং, নর্সশিং অমসুং মেদিকেল প্রোফেসন্দা লৈরিবশিংগী খূৎতা লৈরে। গবর্নমেন্ত হোস্পিতালশিংদা থাজবা লৈহন্নবা ঐখোয় কন্না হোৎনসি।

মণিপুরদা মতীক চাবা দোক্তর কয়া লৈরবসু অনাবশিংনা লায়েংনদ্রিবা অসি করি অশোয়বা লৈবগীনো হায়বদু থিদোকপা মথৌ তাই। মোদর্ন ইক্কিপমেন্ত লৈতবা অসিনা মরম ওইরম্বসু য়াই। অদুবু, দোক্তরশিং অসি পুন্না ৱা তানবা ৱাৎপগী মমি অমদি তারি। অনা–লায়েংবদা চঙবা মতমগা চুনবা ইক্কিপমেন্তশিং গবর্নমেন্ত অসিনা লৈননবা হোৎনগনি। দোক্তর অনী–অহুমখক লৈবা প্রাইবেত

মখা লাঃ ৯, কলম ৪ দা

ত্রাইপার্তাইত তোক মথং চয়োলদা পাঙথোক্লবা য়াই

নিউমাই নিউজ নেতৱার্ক

সেনাপতি, জুন ১৯ঃ সেন্তর, স্তেত গবর্নমেন্ত অমসুং য়ু এন সি (য়ুনাইতেদ নাগা কাউন্সিল) গী ৱারী মখা তানা চৎলিবা চয়োল অসিদা শানরবা য়াই হায়রি।

নাকল অহুমগী ৱারী শানবা অসি মখা চথনবা হৌখিবা থা অমরোম অসি ইনফোর্মেল ওইনা পাউ ফাওনরগা লাকখিবনি হায়রি।

য়ু এন সিগী লুচিংবা অমগী মতুংইন্না, করিগুম্বা স্তেত গবর্নমেন্তনা য়ু এন সিগী ৱাফম হায়বদি নৌনা শেমখিবা দিস্ত্রিক্তশিং হন্দোকপগী ৱাফম লূন্না লৌদ্রবদি য়ু এন সিনা অকনবা খোঙজংশিং অমুক হন্না চঙশিল্লকপা য়াই। য়ু এন সিগী মায়কৈদগীদি ৱাফম অসি য়ান্না হকচিন্না লৌই অমসুং পোলিতিকেল লেবেলদা ৱারী শানগদৌরিবা অসিদগী তংদাংবা ৱারোইশিন অমদি পুথোকপা ঙমগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈ।

য়ু এন সিগী মায়কৈদগী মমাঙদা অসুন্না ফোঙদোকখিবনি মদুদি অনৌবা দিস্ত্রিক্ত শেম্বগী ইসু অসি লোইশিন্নবা গবর্নমেন্তনা তংদাংবা মতম অমা লেপফম থোকই। ইসু অসি খন্নদনা ত্রাইপার্তাইত তোক অদুমক চথদুনা লৈবা য়াবা ঙল্লোই। নাকল অহুমগী ৱারী শানবা অসিনা লৈরিবা ইসু অসি লোইশিনবা ঙল্লোইদবা ওইরবদি নাগাগী লম ঙাকচনবা পান্থে খুদীংমক শীজিন্নরক্লবা শেম শাদুনা লৈরি।

লমদম অসিদা চথরিবা থবক থৌরম খুদীংমক য়ু এন সিনা কুপ্না য়েংশিল্লি হায়না ফোঙদোক্লদুনা নাগা মীয়ামগী থম্মোয় শোকপা থৌওং য়াওরক্লবদি মদুগী মায়োক্তা য়ু এন সিনা চপ চানা লৈগনি হায়রি।

হৌখিবা মে ১৯ দা সেন্তর, স্তেত অমসুং য়ু এন সিগী মরক্তা চথখিবা 'ত্রাইপার্তাইত তোক' তা য়ুনাইতেদ নাগা কাউন্সিলনা ইকনোমিক ব্লোকেদ কৌখিবগী মরম অমসুং ইন্দিয়া গবর্নমেন্ততা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম মরি অদু য়েংলগা মণিপুর গবর্নমেন্তনা মরী লৈনবা স্তেকহোল্দরশিংগা কুপ্না খন্নবা হায়বা ৱাফম অদু হেন্না চেৎশিলহনবা অমসুং মখা তানা ৱারী শানবদা মণিপুর গবর্নমেন্তকী পোলিতিকেলগী ওইবা মীহুৎ য়াওহনবা হায়বা ৱাফম য়ানখি হায়রি।

অহানবা কলম

মেগ্নিচুদ ৪.৬ কী চাংদা য়ুহা হাখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৯ঃ ঙসি অয়ূক অঙনবা পূং ৪.০৫ রোম তাবদা মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক্কী মফম অয়ান্বদা রিক্তর স্কেলদা ৪.৬ কী চাংদা য়াইমরপ কনবা য়ুহা অমা হাখ্রে।

দিপার্তমেন্ত ওব আর্থ সাইন্সেস, মণিপুর য়ুনিবর্সিতি কাঞ্চিপুরগী সিস্মোলোজিকেল ওবজার্বেতরিগী পীরকপা রিপোর্তনা হায়, ঙসি য়ুহা হাখিবা অদুগী ইপিসেন্তর অসি

মখা লাঃ ৯, কলম ৭ তা

সুক্না এক্সত্রা এদজ স্কুল ছো লোনশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৯ঃ ক্লাস তেন পাস তৌরবা মহৈরোয়শিং মমিং চনবগী এন্ত্রান্স তেস্ততা অকক্নবা ইলিজিবিলিতি থম্মী হায়বগী মরালদা সুক (স্তুদেন্তস য়ুনিয়ন ওব কংলৈপাক) না এক্সত্রা এদজ স্কুল ছো লোনশিনখ্রে।

ঙসি নুংথিল মোইরাং খোমদা লৈবা মহৈরোয় লূপ অসিগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবা অমদা সুক্কী ঐচ আর দি সেক্রেতরি এস পি নিংথৌজ

মখা লাঃ ৯, কলম ৭ তা

জোন্সন খোংসাইদা মতেঙ পাংনরি

ইম্ফাল, জুন ১৯ঃ বোসেমনা লৌবা হায় স্কুল লিবিং সার্তিফিকেত একজামিনেসন ২০১৭ তা ১৯ শুবা পোজিসন্দা মায় পায়ক্লকখিবা চুরাচান্দপুর দিস্ত্রিক্তকী মনুং চন্না লৈবা এল এস মোংজাং ভিলেজদগী জোন্সন লুনমিন্সাং খোংসাইদা ককচীং এসেমব্লি কনস্তিত্যুএন্সিগী এক্স–এম এল এ য়েংখোম থম্বাল সিংহনা লুপা ৫,০০০ পীখিবগা লোয়ননা থা থাগী

মখা লাঃ ৯, কলম ৭ তা

শা–ষণদা লায়না শন্দোরক্লে

ইম্ফাল, জুন ১৯ঃ তমেংলোং দিস্ত্রিক্তকী তামৈ এরিয়াদা লৈবা খুঙ্গং কয়াদা হৌখিবা থা অমরোম অসিদা শা–ষণদা মশক খঙদবা লায়না অমা শন্দোরক্লে। তামৈদগী খা–নোংচুপলোমদা কিলোমিতর ৫ রোম চৎলগা লৈবা নচিয়াং (লাংমৈ) ভিল্লেজদা লায়না অসিনা নাবদগী ষণ খরা শিখ্রে। লায়না অসিনা নারবা ষণ, ইরোইশিং মখোঙ অমসুং মচীন্দা শোকহল্লি। মতীনসু ওরো ওরো তাই হায়না খুঞ্জাশিংনা হায়রি।

নিশাগী মায়োক্তা পুলিসনা লেপ্তনা খূৎ থারক্লি

নোর্থ এ ও সিদগী ড্রগ চাবা নুপী ৬ য়াওনা ১৭ ফাগৎলে, লালহৌবা অমসু ফারে

পোক্নফম নিউজ সার্বিস

ইম্ফাল, জুন ১৯ঃ ইম্ফাল ৱেস্ত দিস্ত্রিক্ত পুলিসনা ড্রগ অমসুং ময়ায কাবা নিশা চাবা অমসুং য়োনবগী মায়োক্তা চত্থরকপা ড্রাইবকী শরুক অমা ওইনা ঙসি নুংথিল পূং ৪.৩০ রোম তাবদা নোর্থ এ ও সি এরিয়াদা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা ড্রগ চাবা নুপী ৬ য়াওনা পূন্না মী ১৭ ফাগৎপা ঙমখ্রে।

ড্রাইব অদুগী মতাঙদা পুলিস তিম অদুবু লুচিংখিবী এদ্দিসনেল এস পি (লো এন্দ ওর্দর) প্রিয়াদর্শিনী লাইশ্রমনা হায়, দিস্ত্রিক্ত পুলিস অসিগী এস পি থেমথিং ঙাশাংভাগী মীৎয়েং মখাদা দিস্ত্রিক্ত অসিদা ড্রগ য়োনবা অমসুং চাবা থিংনবা চত্থরকখিবা ড্রাইবকী শরুক অমা ওইনা ঙসি নোর্থ এ ও সিদা থিবা হুন্বগী থবক চথখিবনি।

ইম্ফাল ৱেস্ত দিস্ত্রিক্ত পুলিস অমসুং নার্কোতিক্স সেল ইম্ফাল ৱেস্তকী ও সি ইন্সপেক্তর কে রঞ্জিৎ য়াওবা তিম অদুনা নোর্থ এ ও সি এরিয়াদা থিবা–হুন্বগী থবক চথবদা ড্রগ চাবা মী ১৭ অদু ফাগৎখিবনি। মখোয়দগী শীজিন্নখ্রবা অমসুং শীজিন্নদ্রিবা দিস্পোসিবল সিরিঞ্জ কয়াসু ফংখি হায়খি।

ড্রাইব অদু সোসিএল ৱেলফেয়র দিপার্তমেন্ততসু পাউ পীখি অমসুং দিপার্তমেন্ত অদুগী ওফিসিয়েলশিংসু মফম অদুদা লাক্কুনা য়েংশিল্লকখি হায়রি।

ফারবা নুপা–নুপীশিং অদু দিপার্তমেন্তনা মফম চারে খনবা রিহেবিলিতেসন সেন্তরশিংদা থন্নবা প্রোসেস পায়খৎলে হায়রি।

এরিয়া অদুদা ড্রগ য়োনবা অমসুং চাবা থিংনবা খোঙজং চঙশিল্লিবা এ সি দি সিগী ভলুন্তিয়রশিংগসু ড্রাইব অদুগী মতাঙদা পাউ ফাওনখি। মসিগুম্বা ড্রাইব অসি মখা তানসু চথখিগনি হায়না প্রিয়াদর্শিনীনা ফোঙদোরকখি।

অমরোমদা, পুলিস তিম অদুমক্তা মফম অদুৱাইদা অচৎ–অওক চেক তৌবদা কুকি লালহৌলুপ কে এন এ (কুকি নেসনেল আর্মি) গী কাদর অমা দিমান্দ লেত্তর মরিগা কোন্ননা ফারে হায়নসু এম পি এস ওফিসর অসিনা ফোঙদোকখি।

ফারবা কাদর অদুগী মমিং ক্লিফ খাইলুন হাউকিপ (৩৪) অপোকপগী মিং লৈখিদ্রবা হাওখোঙম কৌই। মহাক কামজোং দিস্ত্রিক্তকী রিহাং খুনদগী হৌজিক্কা পিছ ভেলি মন্ত্রিপুখ্রীদা লৈবনি। মঙোন্দগী মণিপুর গবর্নমেন্তকী তোঙান তোঙানবা দিপার্তমেন্তকী হেদশিংদা এড্রেস তৌবা দিমান্দ লেত্তর মরিসু ফাগৎপা ঙল্লে হায়না প্রিয়াদর্শিনীনা ফোঙদোকখি।

রিজার্ব ফোরেস্ততগী এনক্রোচরশিং লোইনা লৌথোক্লগনি, ইশানা খঙনা হোংদোকপীহৌরোঃ শ্যামকুমার

পোক্নফম নিউজ সার্বিস

ইম্ফাল, জুন ১৯ঃ রিজার্ব ফোরেস্ত এরিয়াদা লোনা য়াদবা মওংদা লম লৌশিন্দুনা য়ূম–কৈ শাজিল্লিবা এনক্রোচরশিং লোইনা লৌথোক্লগনি। এনক্রোচরশিংনা মশানা খঙনা হোংদোকপীহৌরো হায়না ফোরেস্ত এন্দ এনবাইরোনমেন্ত মিনিস্তর তিঐচ শ্যামকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ইরোইশেম্বা মনিংদা লৈবা লাঙ্গোল রিজার্ব ফোরেস্তকী এরিয়াদা উচান পাম্বীশিং য়ান্থৎলগা পুরম্বা নুপা অমা মিনিস্তরনা ফারগা লোগী ওইবা থবক লৌখৎনবা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রে।

মফম অদুদা মিনিস্তর তিঐচ শ্যামকুমারনা পাউমীশিংদা হায়খি, মমাঙদা গবর্নমেন্ত পায়রম্বশিংনা এনবাইরোনমেন্ততা অকনবা মীৎয়েং চঙলমদবদগী মী কয়ানা কুসি রাশিদা রিজার্ব ফোরেস্ত এরিয়াদা লম লৌশিন্দুনা য়ূম–কৈ শাজিনবা, লৈবাক লৌথোকপা, উ য়ান্থৎপনচিংবা তৌদুনা লাক্লি।

অনৌবা গবর্নমেন্ত অসিনা মণিপুরগী উমং–ৱামং কন্নবা অঙন্বা থাক্তা হোৎনরি। মসিগুম্বা চৈরকসিদা নুপা অমনা লাঙ্গোল রিজার্ব ফোরেস্ততগী উচান পাম্বী মকক মকক য়ান্থৎলগা পুরম্বা থেংনবদি য়ান্না লাইবক থীবনি। রিজার্ব ফোরেস্ত য়েংশিনবীনবা লৈতবা মওং অমদা চথরল্লিবা থৌওং অসি মতুংদা অমুক হন্না থেংনদবা অকনবা মীৎয়েং চঙগনি।

লাঙ্গোলদা লৈরিবা রিজার্ব ফোরেস্ত এরিয়াদা লোনা য়াদবা মওংদা লম খোপচিন্দুনা য়ূম–কৈ কয়া শাজিল্লিবশিং অসি থা অমগী মনুংদা হোংদোকপীয়ু। মসিদা ঙায়নবা তৌবীগনু। গবর্নমেন্ত অসিনা শোয়দনা রিজার্ব ফোরেস্ত এরিয়াদা লৈরিবা এনক্রোচরশিং তকথোকপা হৌরগনি। লাঙ্গোলখক্তদা নত্তনা অতে স্তেত অসিগী লৈরিবা রিজার্ব ফোরেস্তকী এরিয়াশিংদা লৈরিবা এনক্রোচরশিং পূন্নমকসু তকথোক্লবা থবক অথুবা মতমদা ফোরেস্ত দিপার্তমেন্তনা পায়খৎলগনি হায়না মিনিস্তর শ্যামকুমারনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়, লাঙ্গোল রিজার্ব ফোরেস্তকী জগা অসি ইং ১৯৩২ দা মণিপুরদা নিংথৌগী লৈঙাক লৈরিঙৈ, মতম অদুগী দরবারনা রিজার্ব

মখা লাঃ ৯, কলম ৪ দা

ANDROID TV
SONY 50' W950D
₹ ~~102900~~/- = ₹ 99,990/-
SONY 43' W950D
₹ ~~72900~~/- = ₹ 69,990/-
PICTURE QUALITY
X-REALITY PRO | 3D
FULL HD | TRILUMINOS DISPLAY
SONY'S ANDROID TV™
VOICE SEARCH | GOOGLE CAST
GOOGLE PLAY | GAMES GOOGLE PLAY
SOUND QUALITY
DUAL ACOUSTIC DUCT SUBWOOFER | CLEAR AUDIO+
NOW, VIDEOCON HOUSE, & SONY HOUSE, ARE SAME

মাও মীয়ামগী হক মাঙহন্দনবা গবর্নমেন্তনা থবক পায়খৎকনি হায়না চীফ মিনিস্তরনা থাজবা পীখ্রে

পোক্নফম নিউজ সার্বিস

ইম্ফাল, জুন ১৯ঃ মাও কাউন্সিল, মাও য়ুনিয়ন, মাও স্তুদেন্তস য়ুনিয়ন, মাও ৱুমেন ৱেলফেয়ার এসোসিএসন, কে দি এল বি আর অমসুং অতৈ মাওগী সিবিল সোসাইতি লূপশিংগী মীহুৎ কাঙবু অমনা ঙসি চীফ মিনিস্তর নোংথোম্বম বিরেন সিংহগা উনখ্রে।

মীহুৎ কাঙবু অদুনা মাওগী খুঞ্জাশিংদা সাউদর্ন অঙ্গামি মীয়ান্না খূৎ থিংজিল্লকপা অমসুং লম খোপচিল্লকপা অসিগী মতাঙদা পুখৎপগা লোয়ননা মণিপুরগী চীংকারোই খরবু থা অসিগী ৬ তা ওৎপা–নৈবা তৌরকখিবগী ৱাফমশিং পুখৎখি। নেসনেল হায়ৱে–১০২ দা গাড়ীশিং চথোক–চৎশিন তৌবদা অথিংবা পীরকপা, গাড়ীশিং খাল্লগা পোৎ– চৈ লৌথবা অমসুং মাওগী মীওইশিংগী লমদা খোপচিল্লকপা ৱাফমশিং অসিদা খূৎ থিংজিন্নবা মাওগী মীহুৎশিং অদুনা তকশিনখি।

এস দি ও ওফিস মাও থবক তৌদনা লৈরিবা অসিগী মতাঙদসু পুখৎতুনা ওফিস অসি থবক হৌহন্নবা ৱাফমসু তকশিনখি। মখা লাঃ ৯, কলম ১ দা

গবর্নমেন্তনা আই এমগী দেজিগনেতেদ কেম্পকী মতাঙদা শেংদোকফম থোকইঃ জয়কিষন

পোক্নফম নিউজ সার্বিস

ইম্ফাল, জুন ১৯ঃ মণিপুরদা এন এস সি এন (আইএম) গী সিজ ফয়ার চৎনৱা–চৎনদ্রবা হায়না হংলদুনা করিগুম্বা চৎনদ্রগনা মণিপুরগী চীংগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা লালহৌলুপ অসিগী দেজিগনেতেদ কেম্পশিং অসিগী মতাঙদা মণিপুর গবর্নমেন্তনা চপ চাবা ৱাফম অমা শেংদোকপীয়ু হায়না কংগ্রেস এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি অয়ূক থাংমৈবন্দ লৈবা নহারোল লৈশেম্বা ক্লবকী নৌনা শাগদবা বিল্ডিংগী উরেপ উয়ুং তম্বগী থৌরম অমদা থাংমৈবন্দ এসেমব্লি কনস্তিত্যুএন্সিদগী কারকখিবা এম এল এ জয়কিষননা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

জয়কিষননা হায়খি, এন এস সি এন (আইএম) গী চহী ৭০ শুরবা লালহৌবগী ঈহৌ অসিবু ইন্দিয়া গবর্নমেন্তনা লোইশিন্নবা হোৎনরিবা অসিদা শৌগৎলি। মখোয়বু শান্তিগী লম্বীদা লাকপা অসিদা মীয়ান্না কোওপরেসন পীফমসু থোকই। তৌবতবু ইন্দিয়া গবর্নমেন্ত অমসুং এন এস সি এন (আই এম) অনীগী ৱারোইশিন পুরক্তিঙৈদা শানরিবা ৱারী অসিনা মণিপুরগী ইন্তিগ্রিতিগী ৱাফমদা অকায়বা য়াওরকপা অমসুং মণিপুর মীয়ামগী ইন্তরেস্ত শোকপা থবক তৌরকপা য়ারোই হায়বা অসি লৈরিবা স্তেত অসিগী এম এল এ ৬০না চপ চানা ৱারেপ অমা লৌফম থোকই।

মহাক্না হায়খি, হন্দক উখুলদা মীচম অমনা ফুখিবা অদুগা অমনা কাপ্পগা হাৎখিবা অদু মিদিয়াদা এন এস সি এন (আই এম) ননি হায়না ফোঙদোক্লরকপা লৈরে। মসিদা হংলিবা ৱাহংদি মণিপুরদা এন এস সি এন আই এমগী সিজ ফয়ার অসি চৎনৱা নৎত্রগা চৎনদ্রবা হায়বা অসিনি। মণিপুরগী মনুংদা লালহৌলুপ অসিগী দেজিগনেতেদ কেম্প কয়া অমা ইফোং ফোংনা লৈরি। হীরম অসিগী মতাঙদা মণিপুর

মখা লাঃ ৯, কলম ৪ দা

পুলিসকী ৱায়রলেস সেত লৈবা থিগৎনবা কমিতি শেমখ্রে

পোক্নফম নিউজ সার্বিস

ইম্ফাল, জুন ১৯ঃ ইং ২০১৩–১৪ দা মোর্দনাইজেসন ওব পুলিস ফোর্সকী মখাদা নিউ দিল্লীদা লৈবা এম/এস এপ্লাইদ কম্যুনিকেসন্স এন্দ কন্ত্রোলদগী দিজিতেল রেদিও সেত অমসুং রিপিতর লৈবগী ৱাথোক থিগৎনবা ইনক্কারি কমিতি অমা শেমখ্রে।

প্রিন্সিপাল সেক্রেতরি জে সি রামথাঙ্গনা চেয়ারমেন ওইবা কমিতি অসিদা এ দি জি পি (এ পি) আনন্দ প্রকাশ অমসুং আই জি পি (এদমিনিস্ত্রেসন) দাঃ এস ইবোচা সিংহনা মেম্বর ওইনা য়াওরি।

স্তেত হোম দিপার্তমেন্তকী চেরোল অমনা হায়, পুলিস দিপার্তমেন্তনা লৈখিবা ইক্যুইপমেন্তশিং অদু তশেংনা লৈনবা সেঙ্কসন তৌখিবা ইক্যুইপমেন্তশিং অদুগা মান্নদে হায়বসি গবর্নমেন্তনা খঙবা ঙল্লে।

সপ্লাই তৌরকখিবা ৱায়রলেস সেত অমসুং রিপিতরশিং অদু তশেংনা স্তেত গবর্নমেন্তনা এপ্রুব তৌখিবা 'ব্রান্দ' অমসুং 'স্পেসিফিকেসন' অদুগা চপ চান্নরবা পোৎলম অদুমক্লা হায়বসি কমিতি অসিনা থিগৎকনি। সপ্লাই ওর্দরগা চান্ননা পোৎলম ফংখিৱা নত্ত্রা করিগুম্বা লাপস লৈরল্লবা নত্ত্রা মওং মরিল তাদবা য়াওরল্লবদি মদুদা ওফিসার কনা কনা চৈন্নে হায়বদু হায়রিবা ইনক্কারি কমিতিঅসিনা থিগৎকনি হায়না চেরোল অসিনা হায়রি।



Sir হোয়না করিসু তৌবিদ্রসু লাকপিবসে য়ান্না নুংঙাইজে!!

Sir [illegible]

[illegible]

- অঙাংশা ঙসিদি করি পারা তৌসিগে
- কুইজ তৌসি ওজা ঙসিদি
- এ! নখোয়বু কুইজ হৈব্রনে। খঙবু খঙব্রো
- ঐখোয়না খঙবা খঙদবা হায়দুদি ওজাদা লৈরে ওজা
- এ! কমায়ননোনে অঙাংশা
- ওজানা হংবদা ঐখোয়না খুল্লিবা পাউখুমদু ওজানা খঙলম্লদি ঐখোয় হৈরে। ওজানা খঙলমদ্রদি ঐখোয় হৈত্রে
- হায়রিসিনদি নখোয় য়ান্না হৈরে হায়বৈ ৱানিনে অঙাংশা
- মদুমাইনফাও খন্নবা য়াই ওজা
- ফরে ফরে। এফ সি আই হায়সি করি হায় অঙাংশা
- ওজাবু এফ সি আই হায়দি ফুদ কোরপরেসন ওফ ইন্দিয়া তৌরেদো। ফরে ফরে। নোইনা হায়রিবা ফুদ কোরপোরেসন ওফ ইন্দিয়াগী গোদাউনদি কদায়দা শাই
- ময়াংইম্ফালদা। হৌজিক ফাওবা পিক থল্লী
- ভালোদহে!

কে সি পি লম্ফেল গ্রুপকী কম্মান্দর সরেন্দর তৌখ্রে

পোক্নফম নিউজ সার্বিস

ইম্ফাল, জুন ১৯ঃ কে সি পি লম্ফেল গ্রুপকী সেলফ স্তাইল কম্মান্দর সোরাইসম মোধুচন্দ্র এলিয়জ এস এম মৈতৈ ঙসি সি এম সেক্রেতরিয়েত্তা পাঙথোকপা সরেন্দর সেরেমোনি অমদা খুৎলায়গা কোন্ননা সি এম– এন বীরেনদা সরেন্দর তৌখ্রে।

সোরাইসম মোধুচন্দ্র এলিয়জ এস এম মৈতৈ (৪৫) অপোকপা দিনমণি লৈফম থাংমৈবন্দ য়ুন্নাম লৈকায় ইং ২০০৩ দা কে সি পি কে কে ঙানবা গ্রুপতা য়াওখি। লূপ অদুদা য়াওরবা মতুং মফম অদুদগী থোরক্লগা কে সি পি লম্ফেল গ্রুপকী সেলফ স্তাইল কম্মান্দর ওইখি। মহাক নুমিৎ খরনিগী মমাংদা বর্মাগী কেম্পতগী দিমাপুরদা লাকখি। নুমিৎ ১০ রোমগী মমাংদা মহাক দিমাপুরদগী ইম্ফালদা থোরকখিবনি। মহাক্না ঙসি সরকারদা সরেন্দর

তৌবা মতমদা কাপ্পা য়ারিবা মরু ৯ য়াওবা নাইন এম এম পিস্তোল অনী য়াওরকখি হায়রি।

সরেন্দর সেরেমোনী অসিগা মরী লৈননা চীফ

মখা লাঃ ৯, কলম ১ দা

[illegible]

পোক্নফমগী তেলিফোন নম্বরশিং ঃ ঈ–পাউ পীবিনীংবশিংনা – 9436020649 দা, Gas কী পাউ পীবিনীংবশিংনা – 8118936893, Office—0385-2459175 / 2446562 দা পীবিয়ু।